# য়ু এসনা সাউথ কোরিয়াদা এন্টি-মিসাইল সিষ্টেম দিপ্লোই তৌখ্রে, চাইনানা পাউখুম পীগনি হায়খ্রে



ৱাশিংটন, সিওল, বৈজিং, মার্চ ০৭ : নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক মিসাইল মরি কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখ্রবা মতুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈবাকসিগী এদভান্স এন্টি-মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমগী অহানবা এলিমেন্টশিং সাউথ কোরিয়াদা দিপ্লোই তৌবা হৌখ্রে হায়না য়ু এস পেসিফিক কম্মান্দনা ফোঙদোকখ্রে। চাইনানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা মতীক চাবা পাউখুম পীগনি হায়না বৈজিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস ক্রুপশিংনা সাউথ কোরিয়াগা জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজশিং পাঙথোকপগা ঈরোয়ননা ৱাশিংটনবু হেন্না কিহন্নবগীদমক নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং-উন মশানা আর্মি য়ুনিট অমনা জপানদা লৈবা য়ু এসকী বেজশিং য়ৌবা ঙমগদবা মিসাইলশিং থাগৎপদা সুপরভাইজ তৌখ্রে হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোকখিবা মতুংদা য়ু এস পেসিফিক কম্মান্দনা এদভান্স এন্টি-মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম দিপ্লোই তৌবা হৌবগী ৱাফমসি লাউথোরকখিবনি।

'ঙরাং মিসাইল কয়া চাংয়েং তৌখিবা য়াওনা নোর্থ কোরিয়ানা কাইহৌবগী থবক থৌওং কয়া লেপ্পুনা মখা তানা পাঙথোকপসিনা ঐখোয়গী এলাইঅন্সনা মমাঙগী চহীদা সাউথ কোরিয়াদা থাদ দিপ্লোই তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ অদু অচুম্বা ৱারেপনি হায়বসি উৎলে' হায়না য়ু এস পেসিফিক কম্মান্দর এদমিরেল হেরি হেরিসকী ৱারোল অমনা টর্মিনেল হায় ওলটিট্যুদ এরিয়া দিফেন্স (থাদ) এন্টি-মিসাইল সিষ্টেমদা রিফরেন্স পীরদুনা হায়খি।

য়ু এস মিলিটরিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অদুনা সাউথ কোরিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবগী ফীভম হেনগৎহনবা য়াই হায়রি।

থাদ দিপ্লোই তৌবনা লমদমদুগী সিক্যুরিটি বেলেন্স থুগায়গনি হায়না চাইনানা হায়রিবনি।

লান্দানবগী শেম শাবা মানবা মিলিটরি দ্রিলশিংগী চানবা পাউখুম পীগনি হায়না পিয়োংয়াংনা ফোঙদোকখিবা নুমিৎ খরনি লৈরগা নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক মিসাইল মরি জপানগী অৱাংনোংচুপ থংবা শরুক্কী মনাক্কী ঈশিংগী শরুকশিংদা কাপশিন্দুনা সিওল অমসুং টোকিয়োবু শাউহনখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা টেলিফোনদা ৱারী শানদুনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈরবা নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল চাংয়েংশিং পাঙথোক্লিবদুগী মতাংদা খন্নখি।

'খ্বাইদগী নৌবা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল লোঞ্চশিং অদু ময়েক শেংনা য়ু এনগী রিজোল্যুসনশিংগী মায়োক্তা ওই অমসুং রিজনেল অমসুং ইন টরনেসনল কম্যুনিটিগী মায়োক্তা শেংলবা কাইহৌবগী থৌওং অমনি হায়বসি জপান অমসুং য়ু এসনা কনফার্ম তৌরে' হায়না অবেনা পাউমীশিংদা হায়খি।

নোর্থকী মিসাইল লোঞ্চশিংদুগী মতাংদা খন্ননবা ত্রম্পনা সাউথ কোরিয়াগী এক্টিং প্রসিদেন্ট হৱাং কিয়ো-অনগসু ফোনদা ৱারী শানখি' হায়না হৱাংগী ওফিসনা ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল চাংয়েংশিং অদুগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোক্নবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং জপাননা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা হায়জখ্রে। মীফমদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোক্লখি।

য়ু এসকী এন্টি-মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম ইন্সটোল তৌবগী থৌরাং অদুনা চাইনা অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা মুক্নবগী ফীভম অমা লাকহনখি।

চাইনাগী ষ্টেটনা রন তৌবা গ্লোবেল টাইমসনা য়ু এস-সাউথ কোরিয়ন মিলিটরি দ্রিলশিং অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল লোঞ্চশিং অদুনা মরম ওইদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা লাল থোক্লকপা য়াবগী ফীভম হেনগৎলক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# চাইনানা ইঠনিক রেবেলশিং অমসুং ম্যান্মার সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা লেপ্নবা আপিল তৌখ্রে

বৈজিং, মার্চ ০৭ : ঈরাং লৈবা ম্যান্মারগী বোর্দর এরিয়াদা ইঠনিক রেবেলশিং অমসুং ম্যান্মার সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা খুদক্তা সিজফায়র অমা চৎনহন্নবা চাইনানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা আপিল তৌখ্রে। বৈজিংনা নাকল অনীমক্তা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবশিং পিছফুল ওইবা মওংদা লৈখায় তানবা তকশিনখি।

চাইনানা মীওই ৩০ রোম শিহনখ্রবা লাল অদুদগী চেল্লকখিবা ম্যান্মারগী মীশিংদা হ্যুমেনিটেরিয়ন তেংবাঙ পীরি। লাল অদুনা ম্যান্মারগী লিদর ওং সান সু চিগী মাইনোরিটিশিংগা পিছ লিংমিন্নবগী পান্দমদা অচৌবা শাফু অমা পীখি।

'নোদর্ন ম্যান্মারগী ফীভমদু চাইনা-ম্যান্মার বোর্দরগী ঈং-চিকপগী ফীভমগা মরী লৈনৈ' হায়না চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুৱাংনা নুংতিগী পাঙথোকপা ন্যুজ ব্রীফিং অমদা হায়খি।

'খুৎ থোক্লবগী ফীভমদু হেন্না কনশিল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মরী লৈনবা পার্টিশিংনা খুদক্তা সিজফায়র অমা চৎনহনগদবনি অমসুং বোর্দরদুদা য়ারিবমখৈ থুনা মহৌশাগী ফীভম লাকহনগদবনি।'

খুৎ থোক্লবা হৌখিবদগী ম্যান্মারগী বোর্দরদা লৈবা মীওই খরা খুদোংথীবা থোক্লরোই হায়বগী ৱাখলদা চাইনাদা চঙলকখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চাইনানা হ্যুমেনিটেরিয়ন গ্রাউন্দসতা তেংবাঙ পীরি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা গেংনা হায়খি মদুদি, চাইনিজশিং মীশি-মীনা থোকপগী পাউদি ফংদে।

মহাক্না নাকল অনীমক্তা দাইলোগ অমসুং তানবগী পাম্বৈশিং শিজিন্নদুনা পিছফুল ওইবা মওংদা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবশিংদু লৈখায় তানবা তকশিনখি।

সু চিগী চহী অমরোম ফারক্লবা গভর্ণমেন্ট ইঠনিক রেবেলশিংনা লাঙ্গোই চনবা হেনগৎলক্লি। গভর্ণমেন্ট অসিনা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা লমদমদা মিলিস্যাশিংগী এলাইঅন্স অমা থেংনরি অমসুং অৱাং-নোংচুপ থংবা লমদমদনা অনৌবা রোহিংয়া লালহৌ অমা মায়োক্লরি। দিকেদ কয়া লৈবাক অসিদা মুস্লিম মাইনোরিটিবু কাঙলুপ নাইবগী মীৎয়েংনা য়েংবীরকপগী মায়োক্তা রোহিংয়াশিংনা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা লাল হৌরকখিবনি।

অয়াম্বনা ইঠনিক চাইনিজশিং ওইবা ম্যান্মার নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইঅন্স আর্মি (এম এন দি এ এ) গী ফাইটরশিংনা নোংঙাল্লমদাইদা ম্যান্মারগী নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন কোকাংগী কেপিটেল লৌকাইদা লৈবা পুলিস, মিলিটরি অমসুং গভর্ণমেন্ট সাইটশিংদা এটেক তৌখি।

# ইরানগী ফাইটর ২,১০০ ইরাক, সিরিয়াদা শিখ্রে : ওফিসল



টেহরান, মার্চ ০৭ : ইরানদগী থাখিবা ফাইটর ২০০০ হেন্না ইরাক অমসুং সিরিয়াদা শিখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইরানগী ভেটেরানশিংগী এফেয়র্স পুবা ওফিসকী মকোক্না ফোঙদোকখ্রে।

'শেংলবা লাইফমশিংবু য়েক্লবগী মীৎয়েংশিংদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবদা হৌজিক ফাওবদা ইরাক নৎত্রগা অতৈ মফমশিংদা ইরানিয়ন ২,১০০ রোম মথৱায় কৎখ্রে' হায়না মোহম্মদ অলি সরিদিনা ষ্টেটনা রন তৌবা ইর্না ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

ইরানগী ফাউন্দেসন ওফ মার্টরস এন্দ ভেটেরানস' এফেয়র্সকী মকোক ওইরিবা সাহিদিনা টেহরানদা লাইনিং লম্বীগী চৎনবী কন্নবা হোৎনবদা থৱায় থাবগী কলচরগী মরমদা পাঙথোকপা কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙখিবনি।

শিখিবা ইরানিয়নশিংগী মশিং অসি মহাক্না নবেম্বর থাদা পীখিবা মশিংগী শরুক অনীদগী হেনগৎখি। নবেম্বরগী ফিগর অদুদি সিরিয়াদা শিখিবশিংগী ওইখিবনি।

ইরান্না সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকী মরু ওইবা মিলিটরি বেকর রসিয়াগা মীচং ওইনবগা লোয়ননা ইরাকতা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ থেংনরিবা মিলিস্যাশিংবুসু ওর্গনাইজ তৌরি।

সাহিদিনা শিখিবশিংদুগী নেসনেলিটিশিংগী মতাংদা অকুপ্পশিং পীখিদে।

ইরান্না মশাগী নেসনলশিং লোয়ননা য়ুল্লোন্নবা অফঘানিষ্টান অমসুং পাকিস্তানগী সিয়াইট কম্যুনিটিশিংগী মরক্তগী রিক্রুট তৌখিবা 'ভোলন্টিয়র' ফাইটরশিংবু য়েংশিল্লি। হৌখিবা মেদা পাস তৌখিবা লো অমগী মখাদা ইরান্না লালদা শিখিবশিংগী ইমুংশিংদা ইরানিয়ন সিটিজনশিপ পীরি।

# মালেসিয়নশিংনা নোর্থ কোরিয়া থাদোক্তুনা চৎপদা পিয়োংয়াংনা অথিংবা থমখ্রে

সিওল, মার্চ ০৭ : পিয়োংয়াংগী লিদরগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বা কুলা লম্পুরদা হাৎখিবদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা উংখৎনবগী ফীভম অমা লৈরিঙৈদা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈবাক অসিদগী চৎনবা হোৎনরিবা মালেসিয়ন খুদিংমক মতম খরগী অথিংবা থমখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সি (কে সি এন এ) গী পাউনা হায়খি মদুদি, ফোরন মিনিষ্ট্রিনা পিয়োংয়াংদা লৈবা মালেসিয়ন এম্বেসিদা মালেসিয়াদা লৈরিবা নোর্থ কোরিয়ন দিপ্লোমেটশিং অমসুং সিটিজনশিংবু খুদোংথীবা অমত্তা থোকহন্দনবগী সেট্টলমেন্ট অমা পুরক্তিফাওবা নোর্থ কোরিয়াদা লৈরিবা মালেসিয়নশিং লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎপগী অয়াবা পীররোই হায়না খঙহনখ্রে।

পিয়োংয়াংগী ইন্টরিম বেন অদু লৈদুনসু নোর্থ কোরিয়াদা লৈরিবা মালেসিয়নশিংনা হান্নগুম মান্নবা কনি দসনশিংদা মহৌশাগুম লৈবা য়াগনি



হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট অদু পল্লদুনা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াগী খোঙথাং অদুগী মান্নবা পাউখুম অমা পীরদুনা মালেসিয়ন গভর্ণমেন্টনসু নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসি ষ্টাফ অমসুং ওফিসরশিং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎপদা অথিংবা থমখ্রে।

'ঐখোয়না মসি তৌবা পাম্বা নত্তে, তৌইগুম্বসুং মসি তৌবগী তঙাই ফদবশিং লৈ' হায়না ষ্টার দেলিনা মালেসিয়ন হোম এফেয়র্স মিনিষ্টর অহম্মদ জহিদ হমিদিনা মিদিয়া ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা হায়খি।

'হোম মিনিষ্ট্রিনা খুদক্তা চৎনগদবা রুলিং অমা থোক্তুনা নোর্থ কোরিয়ন এম্বেসিগী ষ্টাফ মেম্বর নৎত্রগা ওফিসর অমত্তা লৈবাক অসি থাদোকপা য়ারোই হায়না খঙহনখ্রে।

মসি লৈবাক্কী মফম কয়াদা ইম্মিগ্রেসন এগজিট খুদিংমক্তা চৎনগনি' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অহম্মদ জহিদনা ত্রাভেল বেন অদু দিপ্লোমেটিক ষ্টাফতগী হেন্না অতৈদা চৎনরোই অমসুং মালেসিয়াদা লৈবা রেগুলর নোর্থ কোরিয়ন সিটিজনশিং লৈবাক অসিদগী চৎপা য়াহনগনি হায়নসু কনফার্ম তৌখ্রে। মহাক্না লাউথোকখিবা মতুং মতম কান্নদনা পুলিসনা কুলা লম্পুরদা লৈবা নোর্থ কোরিয়ন এম্বেসি কোইশিনখি অমসুং কনামত্তা চঙবা-থোকপনচিংবা য়াহন্দনা থমখি।

এম্বেসিগী ষ্টাফ অমসুং মখোয়গী ইমুংশিং য়াওনা পুন্না মালেসিয়ন ১১ পিয়োংয়াংদা চখোক-চৎশিন য়াদনা ফাইদুনা লৈখ্রে হায়না দেপ্যুটি ফোরন মিনিষ্টর রীজল মেরিকন নাইনা হায়রি।

কুলা লম্পুরগী এয়রপোর্টতা কিম জোং-উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বা কিম জোং-নাম হাৎখিবদগী মালেসিয়ন গভর্ণমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়ন এম্বেসেদর তান্থোকখিবদগী নোর্থ কোরিয়ানা খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

# ইরাক্কী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মোসুলগী মরু ওইবা গভর্ণমেন্ট কমপ্লেক্স পায়শিনখ্রে

বাঘদাদ, মার্চ ০৭ : এলিট ইরাকি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংবু ইরাক্তা লৈবা মখোয়গী অরোইবা অচৌবা সিটি ষ্ট্রোংহোল্ড ওইরিবা মোসুলগী মরু ওইবা গভর্ণমেন্ট বিল্ডিংশিংদগী তকথোকখ্রে হায়না ইরাকি স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।



মোসুলগী মিলিটেন্টশিংনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা অমসুং লুট তৌখিবা মরু ওইবা ম্যুজিয়মসু পায়শিল্লে হায়না ইন্টেরিয়র মিনিষ্ট্রিগী এলিট রেপিদ রেস্পোন্স য়ুনিটশিংগী স্পোক্সমেন অমনা রোইটর্জদা ফোঙদোকখি।

পুং অমরোমদমক চথুখিবা অহিংগী রেইদ অমদা স্পেসল রেপিদ রেস্পোন্স টিমনা নিনেভেহ গভর্ণমেন্ট বিল্ডিংদা লান্দাখি অমসুং গভর্ণমেন্ট কমপ্লেক্সতু কোইশিন্দুনা থমখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

'মখোয়না দৈইশকী মীওই কয়া হাৎখি' হায়না মহাক্না ইস্লামিক ষ্টেটকী অরাবিক মিংদা রিফরেন্স পীরদুনা হায়খি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা অমসুং হৌজিক্তি শিজিন্নদ্রবা গভর্ণমেন্ট কমপ্লেক্স অদু পায়শিনবনা মনাক নক্না লৈবা মমাঙঙৈগী সিটিদা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংদা এটেক তৌবদা খুদোংচাহনগনি অমসুং মদু মোসুলদা ষ্টেট ওথোরিটি হঞ্জিনহন্নবগী মায়কৈদা থাংজিনবা সিম্বোলিক খোঙথাং অমনি।

মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ১৭ তা হৌখিবা মোসুল পায়নবগী লান অদু মী কুংনা তাবা মমাঙঙৈগী সিটি অদুদা হৌজিক হেন্না লুবা তাঙ্কক অমদা য়ৌরগনি অমসুং ইরাকি মিলিটরিনা মফমদুদা লৈহৌরিবা মীচমশিংগী মরক্তগা মিলিটেন্ট লিশিং কয়াসু য়াওরি হায়না থাজরি।

মমাঙঙৈগী সিটি অসিগী গ্রান্দ অল-নুরি মোস্কতগী ইস্লামিক ষ্টেটকী লিদর অবু বাকর অল-বাঘদাদিনা কুমজা ২০১৪ দা ইরাক অমসুং য়ুম্লোন্নবা সিরিয়াগী শরুকশিং কোনশিনবা কলিফেট অমা লাউথোকখি।

মমাঙঙৈগী সিটি অসি মোসুলবু তঙ্খায় অনী থোক্না খায়দোক্লিবা টাইগ্রিস তুরেলগী নোংচুপ থংবা তোর্বানদা লৈ। ফেব্রুৱারী ৯ দা সিটিগী মায়কৈ অসিদা লান্দাবা হৌখিবা মতমদা মীওই ৭৫০,০০০ রোম ৱেষ্ট মোসুলদা লৈখি হায়না এইদ ওর্গনাইজেসনশিংনা পানখি।

ইরাকি ফোর্সশিংনা নুমিৎ ১০০ নি শোক্নরবা মতুং জান্যুৱারী থাদা সিটি অসিগী নোংপোক থংবা তঙ্খায় লৌশিনখি। ইরাক্কী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি অদুদা চথুরিবা লান্দা অদুদা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না মরু ওইবা নোংথক অমসুং গ্রাউন্দ সপোর্ট পীরিবনি।

# ত্রম্পনা সাইন তৌখিবা অনৌবা ট্রাভেল বেন ওর্দর কন্দেম তৌখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ০৭ : প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা পাস তৌখিবা অনৌবা য়ু এসকী ট্রাভেল বেন অমগী মখাদা টার্গেট তৌবা লৈবাকশিং অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনা খোঙথাং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।



নিংথৌকাবা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা মরু ওইনা মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাক তরুক্তগী লাকপা মীশিংদা নুমিৎ ৯০ নি অথিংবা থম্বা অনৌবা ইগজিক্যুটিব ওর্দর অমা সাইন তৌখি।

টেররগী থ্রেটশিংগী মায়োক্তা য়ু এসকী নেসনল সিক্যুরিটি হেন্না চেৎশিন্নবগী পাম্বৈ ওইনা ওর্দর অদু পুথোকখিবনি।

অদুম ওইনমক লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈবাকশিংদুগী মনুংদগী অনী-সুদান অমসুং সোমালিয়ানা খোঙথাং অদু মরম চাদে হায়খি।

রিফ্যুজি খুদিংমকপু নুমিৎ ১২০ নি অথিংবা থম্বা য়াওরিবা দিরেক্তিব অদু মার্চ ১৬ তগী চৎনবা হৌগনি। ফেদরেল কোর্ট অমনা থিংখিবা অমসুং এয়রপোর্টশিংদা চমম্লবা থোকহনখিবগা লোয়ননা মাস প্রোটেষ্ট কয়াসু থোকহনখিবা মমাঙগী ওর্দর অমগী মতুংদা ত্রম্পনা অনৌবা ওর্দর অসি সাইন তৌখিবনি।




## EMPLOYMENT NEWS

### Bharat Sanchar Nigam Limited – BSNL Recruitment – 2710 Junior Telecom Officer (JTO) Vacancies – Last Date 06 April 2017

**BSNL Recruitment 2017**

Bharat Sanchar Nigam Limited (BSNL) invites application for the post of 2710 Junior Telecom Officer Telecom JTO(T) on Direct recruitment. Apply Online before 06 April 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 12 – 2 / 2016-Rectt.

**BSNL Job Details :**

Post Name : Junior Telecom Officer Telecom JTO(T)
No. of Vacancy : 2710 Posts
Pay Scale : Rs. 16400 -4050o/-
**Circle Wise Vacancies :**
Andaman & Nicobar : 13 Posts
Assam : 166 Posts
Bihar : 10 Posts
Chhattisgarh : 56 Posts
Gujarat : 260 Posts
Himachal Pradesh : 53 Posts
Jammu & Kashmir : 84 Posts
Jharkhand : 45 posts
Karnataka : 300 Posts
Kerala : 330 Posts
Maharashtra : 440 Posts
North East-I : 91 Posts
North East-II : 17 Posts
Northern Telecom Region NTR : 28 Posts
Odisha : 94 Posts
Punjab : 163 Posts
Tamil Nadu : 103 Posts
Uttar Pradesh (West) : 117 Posts
Urrtanchal : 10 Posts
West Bengal : 93 Posts
Chennai Telecom District : 37 Posts

**Eligibility Criteria for BSNL Recruitment:**
Educational Qualification : Candidates must possess BE/B.Tech. or equivalent in Telecom/Electronics/Radio/Computer/Electrical/Information Technology/Instrumentation Engineering or M.Sc. (Electronics)/M.Sc.(Computer Science) AND are required to appear GATE exam 2017, opting one paper from selected four disciplines of GATE paper codes i.e. CS / EC / EE / IN.

Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 30 years as on 06.04.2017
Age Relaxation : For SC/ST Candidates 5 years, for OBC Candidates 3 years & For PWD Candidates 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on through VALID GATE SCORE-2017.

**Application Fee :** Candidates belonging to OC/OBC have to pay Rs. 500/- & Rs. 300/- for SC/ST candidates through Online by using Internet Banking, Credit Card, Debit Card Only.

**How to Apply BSNL Vacancy :** Interested candidates may apply Online Through the Website http://www.bsnl.co.in/ from 06.03.2017 to 06.04.2017 thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 06.03.2017
Last Date for Submission of Online Application : 06.04.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.externalbsnlexam.com/documents/GATE_JTODR_Notification.pdf
**Apply Online :** http://www.externalbsnlexam.com/

### Northern Coalfields Limited – NCL Recruitment – 432 Apprentices Vacancy – Last Date 13 April 2017

**NCL Recruitment 2017**

Northern Coalfields Limited (NCL) invites Application for the post of 432 Apprentices. Apply before 13 April 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : NCLIHRDI Apprenticeship/Notification/17/1504

**Job Details :**

Post Name : Apprentice
No. of Vacancy : 432 Posts
**Trade Wise Vacancies :**
Fitter : 240 Posts
Welder : 48 Posts
Electrician : 144 Posts

**Eligibility Criteria for NCL Recruitment :**
Educational Qualification : 10th pass with ITI in Fitter/Welder/Electrician from NCVT or SCVT recognised institute.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 16 to 24 years as on 01.04.2017
Age Relaxation : SC/ST Candidates 5 years & OBC Candidates 3 years

**Job Location : Madhya Pradesh & Uttar Pradesh**

**Selection Process :** Selection will be through Interview.
**Application Fee :** There is no application fee.
**How to Apply NCL Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed Application form along with attested photocopies relevant documents send to General Manager(HRD), CETI, NCL HQ, Singrauli (M.P.) 486889 on or before 13.04.2017.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission Of Application : 13.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://nclcil.in/recruitment/notification_english.pdf